## জেদ বি মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী কেবিনেট চাওথোকপদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা অঙকপা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থোমাস কামৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জেলিয়াংরোং মীয়াম মরুওইনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অমসুং এন বিরেননা মণিপুরগী অচৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা অসিনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা চাউখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবা কয়া ফংগনি হায়না খল্লম্বা অদুগী মায়োক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদগী মীহুৎ অমত্তবু কেবিনেটতা য়াওহল্লক্তবা অসি নুংঙাইতে। হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসি কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক্লা তমেংলোংবু মীরাইবীদুনা লাক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিং খ্বাইদগী অৱা-অনা নংবগা লোয়ননা খ্বাইদগী হেন্না বেকৱার্দ ওইবা অমসুং চাউখৎতবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা অমা ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মেম্বরবু চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা য়াওহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা মপুং ফানা থল্লম্বনি। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীহুৎ ২/৩ কেবিনেটকী থাক্তা য়াওহনখ্রগা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মীহুৎ অমত্তবু কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওহন্দবা অসি অচান-মীরাই নাইবনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## থৌরমশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর জিমনাষ্ট পেরেন্ট'স এসোসিএসনগী মীফম অমা হয়েং মাকালি জুনিয়র হায় স্কুল তেলিপটিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুর, ককচীংনা শীন্দুনা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংদা হয়েং পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বা তরুকশুবা এস এস এস মনিফা ২০১৭ গী পোষ্ট দিস্কসন অমসুং ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর এন্দ মণিপুরী ফোক দান্সকী থৌরম অদু লাক্লিবা এপ্রিল ১দা হান্নগী মফম অমসুং মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মৈহৌরোল ইনাৎ থাঙ-তা অপূনবা লূপ অমদি ৱেষ্টর্ন ষ্টেন্দর্দ হায় স্কুল অনীনা খুৎশম্নদুনা ফেষ্টিবেল ওফ পার্ফোর্মিং আর্ট ইন মণিপুর হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা হয়েং লৈময়োল আর্ট সেন্টর শিংজমৈ চীংঙামখাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথোক্লে হায়রি।

## নেসনল সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): এন এ এ সীনা স্পোন্সর তৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ক্বালিটি ইনহেন্সমেন্ট এন্দ সষ্টেনেবিলিটি ওফ টিচিং-লর্নিং প্রোসেস ইন হায়র এদ্যুকেসন ঙরাং এস কুলা ৱিমেন কোলেজ নম্বোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন, স্কুল ওফ সোসল সাইন্স অমসুং ফোর্মর রেজিষ্টর প্রো. এন লোকেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমসুং এস কুলা ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এন জয়কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে। সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদা প্রো. ইলিজাবেথ হংশিং, দিরেক্টর, ৱিমেন ষ্টদিজ এন্দ রিছার্স সেন্টর এন্দ হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট, এদ্যুকেসন, রজিব গান্ধী য়ুনিভর্সিটি ইটানাগর; প্রো. এল বিরেন্দ্র কুমার, এন এ এ সী, পির টিম মেম্বর; রিটায়ার্দ এদিসনেল দিরেক্টর হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন; প্রো. কে এস ঐচ রাজেন্দ্র, দিপার্ট-মেন্ট ওফ সোসিওলোজি, এম য়ুনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুকয়াখি। সেমিনার অদুদা পুন্না রিছোর্স পার্সন ১২ না চে পাথোকখি অমসুং মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা দেলিগেট ১৬ য়াওনা পুন্না দেলিগেট ১২০ না শরুক য়াখি হায়রি।

## আইমোলশিংগা সী এমগা উনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা থা অসিগী ২৩ দা উনদুনা মমাঙগী লৈঙাক্লা ঙাইরোং আইমোল ভিলেজদা থল্লম্বা অহুমশুবা আই আর বিগী পোষ্ট অদু লৌথোকখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে।

অহুমশুবা আই আর বিগী টেম্পররি আউট পোষ্ট অদু পার্মেনেন্ট আউট পোষ্ট ওইনা থম্বীদুনা মফম অদুগী আইমোল মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীনবা তকশিনখি। মশীং য়ামজদবা য়েলহৌমী ট্রাইব অসিগী মীওইশিংনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদা আইমোল-পল্লেল এরিয়াগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম নীংথিনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়না থাজবা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা অমদি হিংবগী রাইট লৈহন্নবা তকশিনখি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট অখেল আইমোলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ঈগী খোঙ্গুল লীবা, য়েন্নীং কুম্মৈ লোইশিনবগী থৌরম অসামগী সিঙ্গরবোনদা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): কলচর ফোর পিছ এন্দ ফ্রেন্দশিপ হায়বা থিমদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা অসামগী মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা ঈগী খোঙ্গুল লীবা, য়েন্নীং কুম্মৈ শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেলগী অসামগী সিঙ্গরবোন মনিং লৈকায়দা লৈবা লম্পাক্তা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অসামগী মনুং চনবা বিনাকান্দি রোমপুর হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইশ্রম খুলদা শুমাঙ লীলাগী ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগা লোয়ননা সিঙ্গরবোনদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অহিংগী লিক্লা অমসুং সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী নুংশিরবী বেমবেম উৎতুনা শুমাঙ লীলাগী ঈহৌ হেন্না কনশিনহনখ্রে।

সিঙ্গরবোনগী মুতুম কান্তা, মুতুম ওংবী লোইদাং অমসুং মুতুম নোরেননা লুচিংবা কম্মিটি অসিগা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ডা. এম নরা, চীফ এদভাইজর এল তর্পন অমদি কাউন্সিল অসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনাচন্দ্র, কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নিমাসি লৈমা অমসুং লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনচিংবনা লুচিংদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম কান্তনা হায়খি, অসামগী মীতৈ তাবা মফমশিংদা শুমাঙল লীলা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী পাউ ফংবগা সিঙ্গরবোনদা ইহান হান্না পাঙথোক্লবা খনখি। অদুবু মতাং-মতমনা য়াদবদগী অরোইবদা পাঙথোকখিবনি। অসামদা শুমাঙ লীলাগী ফেষ্টিবেল অমুক্তা পাঙথোকখিদ্রি। হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিনা অহানবনি। ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপনা অসামদা চোইনা তারিবা মণিপুরীশিংগী লাইবক ফবা হায়বদু ওইরে। শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগা খঙনবদগী শুমাঙ লীলা ঈহৌসু কনখৎলক্লে। মমাঙদদি কাউন্সিল অসিগা খঙনদবনা মরম ওইরগা চহী মঙাগী মমাঙদা লীলা তৌবদা অৱাবা ওইখি। অদুবু এস ঐচ হেমন্তগা খঙনবদগী অসামগী মীতৈশিংনা খুন্দা-রিবা মফমশিংদা শুমাঙ লীলাগী ঈহৌ হেন্না চাউখৎহল্লে। মমাঙদদি মণিপুরদগী লীলা অমা শান্নবীনবা কৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমনি। মসিদসু নৎতনা লীলা কৌবা তারবদি মদুগী শেল তান্নবা তোঙানবা ফন্দ তাল্লি। অদুবু হন্দক চহীগী ওইনদি ইৱা ৱাদনা কাউন্সিলনা শীন্দুনা লীলা অনীদা ওইরবসু ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিংবু লীলা য়েংবা ফংহনবীবা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই।

শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ডা. এম নরানা হায়খি, মণিপুর ষ্টেটকী শুমাঙ লীলা অসি মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা আর্ট ফোর্ম অমনি। ঐখোয়গী তাঙলবা কলচর অমদি ট্রেদিসন কয়া অসি মুৎতনবা হোৎনবদা শুমাঙ লীলানা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরম অদুনা মণিপুরগী মপান্দা চোইনা খুন্দা-রিবা মণিপুরীশিংগী ঈগী খোঙ্গুল লীবা অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা, কলচর অমসুং ট্রেদিসন অসিদা পুন্না হিংমিন্নবা ঙম্নবগীদমক য়েন্নীং কুম্মৈ হায়দুনা পাঙথোকপনি। য়েন্নীং কুম্মৈ হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা নৎতনা কলচর ফোর পিছ এন্দ ফ্রেন্দশিপ হায়বা মোটোদা পান্দম ওইরগা চঙশিনবনি।

চোইনা তাখ্রবা ইচিল-ইনাও, ইপা-ইমা কয়াবু ঐখোয়না খোঙ্গুল লীবা ফংজবগী নুংঙাইজবা অদুসু লৈজে। মসিগা লোয়ননা নুংশি-চান্নবা য়ুনিটি লৈনা থৌদাং য়ামিন্নসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা মরী অসি চেৎশিন্নবা হোৎনবা চঙই। নুংশি-চান্নবা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা ঈগী মরী অসি কাউথোক্লদনা হিংমিন্নসি। মসিগা লোয়ননা মণিপুরগী শুমাঙ লীলাবুসু নুংশিবীবগা লোয়ননা য়োকখৎপীয়ু অমসুং শৌগৎপীয়ু। হেন্না পাক চাউনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা খঙহন্ননবা হোৎনমিন্নসি। হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিনা অহানবা শুমাঙ লীলাগী ফেষ্টিবেলনি। ফেষ্টিবেল অসি মণিপুর খক্তদা পাঙথোকপদা নৎতনা মপান্দা চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মফমদসু পাঙথোকপা চুম্মী খনবদগী কাউন্সিলনা অহানবা ওইনা য়েন্নীং কুম্মৈ হায়না মিংথোন্দুনা অসামদা পাঙথোকপনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মখা তারকপদসু কাউন্সিলনা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেলশিং তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। বাঙ্গলাদেশ, ত্রিপুরা, হোজাই অমসুং ম্যান্মার ফাওবদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিং অৱাবগী চৈথেং হেন্না ফংলক্লগনি : বিশ্বনাথ

নোমিতা খোংবান্তাবম



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিং অসি শেল-থুমগী ফীভমদা শোখদুনা লৈরিবনি। মসিগী মথক্তা হন্দক্তা অসামদা মিসন স্কুল কয়া লিংখৎলকপা অমদি মীতৈগী মীশীং হন্থরকপগী চৈথেংগা লোয়ননা চহী ১০গী মতুংদদি থবক ফংদবগী চৈথেং ফংলক্লগনি হায়না থৌগল মরূপ বিনাকান্দিগী প্রসিদেন্ট কে বিশ্বনাথনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী লোলগী স্কুল মরাং কায়না লৈরি। প্রাইমারিদগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবনি। মসিদা মণিপুরী লোলদা ওজা ওইবসি মীতৈ মচা নৎতনা লৈতে। মীতৈ মচানা মমাঙঙৈদগী ওজা ওইদুনা লাক্লবনি। মসিনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মীতৈ মচাশিং ওজা ওইবগী মফম কন্দুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মিসনরি স্কুল কয়া লিংখৎলকপদগী অসাম গভর্ণমেন্টকী স্কুল কয়া মুখরক্লে। ওজা লৈরগা মহৈরোয় লৈতদুনা স্কুল মুৎপা ফাওবা য়াওরে। মীতৈসু খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা কয়া য়াওরে। অসামগী কছার, সিলচরনচিংবদা মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফম অসি খুঙ্গং ১২৭ নি। মীতৈগী মীশীং অসি হেনগৎলকপদি লায়রদনা নোংম-নোংমগী মশীং হন্থরক্লে। মমাঙঙৈদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা মণিপুরী লোল তম্বীনবা ওজা লৌবদা মীতৈখক্তমক লৌরম্মী। হৌজিক মিসন স্কুল লাকপদগী মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা শেল তিংনা ইংলিশ স্কুলনি হায়না তমহল্লকপা অসিনা অসাম গভর্ণমেন্টকী স্কুল অসি লাক্লিবা চহী ১০ অসিগী মনুংদদি মুৎপা য়াবগী ফীভমদা লৈরক্লগনি। মণিপুরী লোলগী ওজা ওইজরিবা মীতৈশিংনা গভর্ণমেন্টকী থবক ফংবা হায়বসি ওজা অসিদদি। অতোপ্পা গভর্ণমেন্টকী সার্ভিসতি কয়া তৌহন্দে। বঙ্গালিশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পী। পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক মচা-মশু খরা ফংই। অদু নৎতনা মীতৈশিং থবক ফংনবগী ওইথোকপা কয়া লৈতে। মীতৈ মচাশিংনা হায়জ-নোঞ্জবা ইকায় হায়দুনা তৌনদে। মসিনা মীতৈশিংনা হেন্না হেন্না শোথরল্লিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীতৈশিং লৌউ-শিংউনা মরুওইবা শীনফম ওইদুনা হিংলকপনি। অদুবু হৌজিক্তি লৌ উবীনবা মী লৈরক্ত্রে। মীতৈশিংগী লৌফমশিং মুস্লিমশিংদা লোইনা উহন্নরে। মসিনা মরম ওইদুনা লম খোপচিনবা ফাওবা হৌরক্লে।

অমরোমদা, মুস্লিমশিংগী মীশীংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি অমদি চহী খুদিংগী মীশীং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা অদুক্কী মতিক য়ামশিল্লক্লে। মীতৈশিংগী মরক্তা থকশি-খাশিসু কয়া য়াওনরক্ত্রে। মীতৈ মশেল থাজবা লৈনরক্তে। ট্রেদিসনেল ভেল্যু মাঙলকপা অসিনা মীতৈগী কলচর মপুং ফানা লৈরক্ত্রে। ফুরুপপু নুংশিবগী কলচর অমদি নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন চেন্নদ্রে। মসিনা খুন্নাইদা মাঙজবা হায়বদু ওইরক্লগনি। চহী ১০গী তুংদদি হেন্না মাঙশিল্লক্লগনি। গভর্ণমেন্টকী সার্ভিস তৌবদা শেল পীরগা চঙবগী চৎনবী লৈরকপা অসিনসু মরুওইবা মরম ওইরক্লি।

হৌখিবা চহী ৩০গী মমাঙদগী মীতৈ মচানা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ ওইদুনা টার্ম ৩লক লৈঙাক পায়বদা য়াওরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি চহী ৩০ শুরক্লবা ফাওবা মীরেপশিং মীখলদা মায় পাকপা ঙমদ্রে। মীতৈ কেন্দিদেট থোক্লকপা মতমদা ৩/৪ থোক্লকপা অসিনসু মায়থীনবগী মরম ওইহল্লি। দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্ট খায়দোকপদা মীতৈশিং অমত্তা পুন্দ্রে। তোঙান-তোঙান্না চৎনরে। সিলচর অমসুং কছার তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইখিবগা লোয়ননা বরাক ভেল্লিদসু করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট লৈখ্রে। সব-দিভিজনদা লক্ষিপুরনচিংবা ময়াম লৈখিবা অসিনা মীতৈশিং লোয়না চোইজাইননা তাখ্রে। অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা মীতৈশিং পুন্না থবক তৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে হায়না বিশ্বনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী হোলদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা অগরবতি শাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২৩ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মৈরা পায়বী লূপশিংদগী লাকপা মীওই ৩০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

## ইগজামিনেসন সেন্টরশিং এইমসনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শীনপাং লূপ (এইমস)না ঙসি বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী ইগজামিনেসন সেন্টর ৬ তা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এইমসগী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যেয়র্স বেনর্জী হুইদ্রোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এইমসকী টিম অদুনা ককচীং খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, সুগনু হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সুগনু গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায় স্কুল, রিগ্যুলর ইংলিশ হায় স্কুল, টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং টাইনি টোট'স য়ুনিক স্কুলগী সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ককচীং খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী সেন্টরদা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না চরাংননা ইগজামিনেসন থারমখি অমদি মহৈরোয় অমদগী য়াল্লবা চেজেৎশিং ফাগৎখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অমনা সুগনু গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায় স্কুল সেন্টরদা এইমসকী ভোলুন্টিয়রশিং চঙননবগী অয়াবা লৌবদা ও সীনা অয়াবা পীবীদবনা গেটকী ৱাংমদা ভোলুন্টিয়র-শিং লেপহন্দুনা থমখি।

মহৈরোয়শিংগী তুংগী ফিরেপ লেপকদৌরিবা ইগজামিনেসন অসি অশোয়-অঙাম থোক্তনবা য়েংশিনবা চৎলিবা ভোলুন্টিয়রশিংবু করি মরমগী চঙহন্দ্রিবনো হায়না হংলক্লি। ইগজামিনেসন মনুং অদুদা করম্বা অরানবা থবক তৌবননো হায়নসু হংলক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি এইমসনা হকচিন্না লৌই অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা য়েংশিনবীনবা পুক্নিং চিংশিল্লক্লি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা এইমসনা আপিল তৌরক্লি।

## ষ্টিকর কেম্প্যেন চখরগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টুদেন্ট'স ফেদরেসন (এম এস এফ)না চহী কয়াগী মমাঙদগী চখদুনা লাক্লিবা মোরেল এদ্যুকেসন এৱ্যেরনেস কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ষ্টিকর কেম্প্যেন মথং থাদগী হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল তোপ লৈরক মচিন্দা লৈবা এম এস এফকী ওফিসতা মহৈরোয় লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাইরোকপম ৱাংলেম্বা খাবনা ফোঙদোকখিবদা লূপ অসিগী মপাঙ্গল কনখৎনবা হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা লক্কি কোন্সমনা নৌনা অমুক ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম অসি পুরগনি। হৌজিক-হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা রিগ্যুলর দিরেক্টর নৎত্রগা ইন-চার্জ হাপ্পুবগী চরাংনবা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা শন্দাইনবীয়ু। রিমসকী রিগ্যুলর দিরেক্টর নৎত্রগা ইন-চার্জ দিরেক্টর অমা অথুবা মতমদা হাপ্পনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরদা অইবা চেরোল থারগনি। মহৈরোয় লূপ অসিগী ওইনা কুমজা ২০১৭ দগী ২০১৮ ফাওবগী এদভাইজর ওইনা য়ু টিকেন অমদি কে ঐচ সেরাজুদ্দিনবু হাপখ্রে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## শেমরোককী এন্যুএল দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): চীংমৈরোংদা লৈবা শেমরোক ৱ্রদষ্টোককী অহানবা এন্যুএল দেগী থৌরম ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ইম্ফাল হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ডা. হাওবম প্রিয়োকুমারনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা শেমরোক ৱ্রদষ্টোককী সুপরভাইজর নামিবা খাইদেমনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, স্কুল অসি দিল্লিদা বেজ তৌবা স্কুলনি। মমাঙ চহীদা স্কুল অসি লিংখৎখিবনি। স্কুল অসিদা চহী ১ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং তল্লি। স্কুল অসিগী টিচিং মেথদশিং অসি তোঙাল্লি। এন্যুএল দে অসিদা পীক্লিবা অঙাংশিং অসিগী টেলেন্টশিং অদু উথোক্কনি। লোয়ননা মনা-মথুমশিং পীবগা লোয়ননা বেষ্ট টিচরনচিংবা খন্দুনা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎকনি।

## ফিল্ম মেকিংগী ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস): ফিল্ম দিভিজন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং গভর্ণ-মেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি অমসুং ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ ৯ নিগী ওইবা ফিল্ম মেকিংগী ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ২৭ তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পেলেস গেটতা লৈবা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

শক্লাইরবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকর জোসি জোসেফনা এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ৱার্কশোপ অসি নোর্থ ইষ্ট সেরিজকী তরুকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। মমাঙদা আইজোল, সিলচর, দিমাপুর, অগরটালা অমসুং লুংলৈদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসিগী নুমিৎ হুম্নিনা আইদিএসনগী ওইগনি অমসুং নুমিৎ হুম্নিনা শুটিংগী ওইগনি অমসুং নুমিৎ হুম্নিনা এদিটিংগী ওইগনি। ৱার্কশোপ অসিগী মথক্তা মুম্বাই ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী এৱার্দ ফংলবা ফিল্মশিংগী ফেষ্টিবেল অমসু পাঙথোক্কনি।

ফিল্ম দিভিজনগী দিরেক্টর জেনরেল মনিশ দেসাইনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অসি তরং-তরংবা ফিল্মগী কলচর লৈবা লমদম অমনি। মরম অসিনা ইম্ফালদা মহৌশানা অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্লবা খল্লকখিবনি।

ফিল্ম দিভিজননা নন-ফিচর ফিল্মশিং মরুওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিংবু লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। ৱার্কশোপ অসিদগী পুথোরকপা ফিল্ম অদু মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা এম আই এফ এফ ২০১৮ তা উৎকনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর হাওবম পবনকুমারনা হায়খি, ৱার্কশোপ অসিগী মতম অসি য়াম্না তেল্লবসু মসিনা নৌনা হৌগৎলক্লিবা ফিল্মগী থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা ফিল্মবু কেরিয়র অমা ওইনবা হোৎনবদা মপুং ফানা কান্নবা ফংলগনি।

ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্টরসু ওইরিবা ফিল্ম ক্রিটিক মেঘচন্দ্র কোংবমনা হায়খি, মণিপুরী সিনেমা অসি মপুং মরৈ ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অকনবা ফিল্ম সোসাইটিগী ঈহৌ অমা তঙাইফদে।

হীজম রোমোনিনা কুমজা ১৯৬৯ দা প্রসিদেন্ট ওইনা লিংখৎখিবা ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর অসি অমুক হন্না হিংগৎলে। সোসাইটি অসিগা দি আই পি আর মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৩০ দগী পেলেস গেটতা লৈবা ইনফোর্মেসন সেন্টরদা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী এম আই এফ এফ এৱার্দ ফংলবা ফিল্মশিং উৎকনি। দেনিশ, পোলিশ, মালায়ালম, গুজরাটি অমসুং ইংলিশ লোলগী তোঙান-তোঙানবা ফিল্ম ১৪ মীয়ামদা শেল লৌদনা য়েংহনগনি।

ডা. কে সুশিলা, সেক্রেটরি, এম এস এফদি এসপু ফিল্ম মেকিং ৱার্কশোপ অমসুং ফিল্ম স্ক্রিনিং অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পীবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংগী মরক্তা গ্রুপ অনী খায়দোক্কনি। গ্রুপ অমনা সুমিট ঘোশনচিংবা মীওইশিংনা মেন্টরশিপ ওইবা রিছোর্স পার্সনশিংনা এদিটিংগী মরমদা তাকপী-তম্বীগনি অমসুং কেমেরাদা মনিশ মধবন, সাউন্দদা অরুই দত্ত অমসুং দিরেক্সনদা জোসি জোসেফনচিংবনা রিছোর্স পার্সন ওইগনি। পুম্নমক অসিগী মকোকনা ফিল্ম দিভিজনগী টেক্নিকেল সপোর্ট টিমগী হেদ আর রবিনা ওইগনি হায়খি।

ৱার্কশোপ অসিদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী মীওই মঙা য়াওনা পুন্না কেন্দিদেট ২৬ না শরুক য়াগনি হায়রি।

## 'হ্যুমেন ট্রাফিকিং থিংবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউই'

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) : হ্যুমেন ট্রাফিকিং থিংনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউই হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন প্রসাদনা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা জুদিসিএল কোল্লোক্যুয়ম ওন হ্যুমেন ট্রাফিকিং হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুর, মণিপুর জুদিসিএল একাদেমী, মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিস ওথোরিটি, মণিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রাকেশ রঞ্জন প্রসাদনা হায়খি, হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা হিরম অসিদা খন্ন-নৈনবদা য়াম্না কান্নগনি। হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং থিংনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউই। হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা খঙমিন্নবা য়াম্না তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস এন কোটিশ্বর, জষ্টিস কে ঐচ নোবিন অমদি দিল্লি হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস অনু মলহোত্রসু দেজদা ফমখি।

তুংদা টেক্নিকেল সেসন্দা রিছোর্স পার্সন কয়ানা তোঙান তোঙানবা টোপিক কয়াদা ৱা ঙাঙখি। রোল ওফ জুদিসিএরি ইন হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা দিল্লি হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস অনু মলহোত্রনা ৱা ঙাঙখি। রোল ওফ পুলিস ইন কোম্বেটিং হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা আই জি পি (জোন ৱান) মণিপুর ক্লে খোংসাইনা ৱা ঙাঙখি। রোল ওফ দিষ্ট্রিক্ট কোর্স ইন এগজুদিকেটিং ওফেন্স ইনভোল্ভিং হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা মণিপুর জুদিসিএল একাদেমীগী লেকচরর এন ব্রজকান্তনা ৱা ঙাঙখি।


রোল ওফ ষ্টেটুটরি বোদিস ইন হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা মণিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপার্সন এস কে শর্ম্মনা ৱা ঙাঙখি। রোল ওফ ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইন প্রিভেন্সন, প্রোটেক্সন এন্দ রিহেব্লিটেসন হায়বা হীরমদা সোসল ৱেলফ্যের মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর এন বিনোবালানা ৱা ঙাঙখি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ : ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিএসনগী সিনিয়র মেম্বর ওইরম্বা চীংঙামখা য়াংলেম লৈকায়দা লৈবা অহৈবম মাইপাকনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী ইকজিক্যুটিব মেম্বরশিংনা এস দব্লিয়ু সী কম্যুনিটি হোল হৈরাঙ্গৈইথোংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ডা. এস শান্তিকুমারনা প্রিসাইদ তৌদুনা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খৃয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।


DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।


ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাংপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3728/03/03-05/04


## CROSSWORD-2365




**ACROSS**

1 Etcetera (3,2,5)
7 Cut short (7)
8 Wood nymph (5)
10 Necessity (4)
11 Colossal (8)
13 Female parent (6)
15 Artist's workroom (6)
17 Youngsters (8)
18 Small island (4)
21 Passenger ship (5)
22 Bishop's district (7)
23 Amity (10)

**DOWN**

1 Be in accord (5)
2 Unable to hear (4)
3 Rectangular but not square (6)
4 Stubbornly persistent (8)
5 Gland in the neck (7)
6 Thrifty (10)
9 Found out (10)
12 French policeman (8)
14 Paint solvent (7)
16 Repaired (6)
19 Precipitous (5)
20 Scottish lake (4)

Solution 2364



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2164

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | 2 | | 6 | 5 | | 4 | |
| 8 | | | 3 | | | | | |
| | | 4 | | 1 | | | | 5 |
| | | 7 | | | 3 | 6 | | |
| 6 | | | | 5 | | | | 1 |
| | | 3 | 6 | | | 4 | | |
| 2 | | | | 3 | | 5 | | |
| | | | | | 7 | | | 8 |
| | 1 | | 4 | 8 | | 3 | | 2 |

Solution-2163

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 5 | 3 | 6 | 8 | 7 | 9 | 4 |
| 8 | 3 | 4 | 7 | 5 | 9 | 2 | 1 | 6 |
| 6 | 7 | 9 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 | 8 |
| 1 | 9 | 3 | 5 | 8 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 | 1 | 8 | 7 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 1 | 2 | 9 | 3 | 5 |
| 9 | 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 |
| 3 | 4 | 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 |
| 7 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9